# নোর্থ কোরিয়াগী মথক্তা লৈবাক অমখক্না পাম্বা অথিংবশিং থমজিনবা চাইনানা য়ানিংদে



বৈজিং, মার্চ ১৭ (এজেন্সী) ঃ

নোর্থ কোরিয়াগী ন্যুক্লিয়ার অমসুং রোকেট চাংয়েংশিংগী পাউখুম ওইনা মালেমগী লৈবাকশিংদগী নাইতোম ওইনা লৈরিবা নোর্থ কোরিয়াগী মথক্তা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা অনৌবা সেঙ্কসন কয়া লাউথোকখিবা মতুংসিদা চাইনানা নোর্থ কোরিয়াগী মথক্তা লৈবাক অমখক্কী ওইবা ৱারেপ্পা অথিংবশিং থল্লিবদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে।

য়ুনাইটেদ ষ্টেটস অমসুং মসিগী মীচংশিংনা কায়হৌবগী থৌওংশিংনি হায়না লৌনবা থবক খরা পায়খৎখিবা মতুংদা নোর্থ কোরিয়াবু মখা তানা মালেমদগী তোকখায়না ইন্থোক্লগা থম্ন বগী পান্দমদা য়ু এসকী প্রসিদেন্ট বারাক ওবামানা হৌখিবা য়ুমশকৈশ নুমিৎতা নোর্থ কোরিয়াগী মথক্তা অকনবা অথিংবা কয়া থমখিবনি।

য়ু এসনা ইনৌ নৌনা থমখিবা অথিংবশিং অদুনা ফাইনান্সিয়েল, মাইনিং অমসুং ট্রান্সপোর্ট সেক্টরশিং য়াওনা নোর্থ কোরিয়াগী ইকনমিগা মরী লৈননা বিজিনেস তৌবা মীওইশিং নৎত্রগা কম্পেনি খূদিংমক গ্লোবল ফাইনান্সিয়েল সিষ্টেমদা চঙবদা অথিংবা পীরি।

হন্দক্তা থমখিবা অহেনবা সেঙ্কসনশিং অদুনা বেঙ্কশিংবু অথিংবদুবু থুগাইরিবা খূদিংমক্কী এসেটশিং ফ্রীজ তৌহন্দুনা চাইনা য়াওনা নোর্থ কোরিয়াগী বিজিনেসকী মরী খূদিংমক থদৎলগনি।

সেঙ্কসনশিং অদুনা চাইনিজ বেঙ্কশিং অমসুং নোর্থ কোরিয়াগী মরক্তা লৈনরিবা নোর্মল বিজিনেস মরীশিংদা শোকহল্লকপা য়াই হায়না চাইনানা ৱাবা লৈব্রা হায়না হংবদা ফোরন মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্সমেন লু কাংনা হায়খি, চাইনানা হীরম অসিদা মীৎয়েং চঙলি।

“অহানবদা ঐহাক্না মমাঙদা কয়ারক হন্না হায়খ্রে মদুদি চাইনানা মতম চুপ্পদা লৈবাক অমগী মথক্তা লৈবাক অমখক্কী ওইবা অথিংবশিং থমজিনবগী মায়োক্তা লৈ” হায়না লুনা বৈজিংদা নুংতিগী পাঙথোকপা ন্যুজ ব্রীফিং অমদা হায়খি।

অনীশুবদা, কোরিয়ান পেনিন্সুলাগী হৌজিক লৈরিবা অরুবা ফীভমদুগী মখাদা চাইনানা লমদম অদুদা টেন্সন হেনগৎহনগদবা খোঙথাং খূদিংমক্কী মায়োক্তা লৈ।

অহুমশুবদা, ঐখোয়না মরী লৈনবা লৈবাকশিংগা উনখিবদা লৈবাক অমদা য়ুনিলেটরেল সেঙ্কসনশিং থল্লকপা মতমদা চাইনাগী মরম চাবা অনিংবা অপাম্বশিংদা অকায়বা নৎত্রগা অমাঙবা অমত্তা থোকহল্লোইদবনি হায়না ময়েক শেংনা ফোঙদোকখ্রবনি।

চাইনা অসি নোর্থ কোরিয়াগী অমত্তা ঙাইরবা অচৌবা মীচংনি তৌইগুম্বসুং বৈজিংনা পিয়োংয়াংগী ন্যুক্লিয়ার প্রোগ্রামবু য়াদবগা লোয়ননা কোরিয়ন পেনিন্সুলাদা ন্যুক্লিয়ার খুৎলাইশিং থমদনবা আপিল তৌরিবনি।

চাইনানা নোর্থ কোরিয়াগী মথক্তা য়ু এনগী অকনবা অনৌবা সেঙ্কসনশিং থম্বদা অয়াবা পীখ্রবসু অথিংবশিং থম্বনা পাউখুম ওইবা য়ারোই অমসুং ৱারী শানবা হৌবনা নোর্থ কোরিয়াগী খুৎলাই প্রোগ্রামগী মতাংদা য়েৎনবা লৈরিবদু লৈখায় তাবা ঙমগনি হায়না হঞ্জিন হঞ্জিন ফোঙদোকখ্রবনি।

নোর্থ কোরিয়াগী মথক্তা য়ু এসনা থল্লিবা অথিংবশিংবু হেন্না পাকথোক চাউথোকহল্লিবা য়ু এসকী অনৌবা খোঙথাংশিং অদুনা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতগী নোর্থ কোরিয়াদা পোৎচৈশিং থাদোকপদা অথিংবা থমই।

নোর্থ কোরিয়াগী খ্বাইদগী চাউবা ট্রেদিং পার্টনর ওইরিবা চাইনানা খোঙফম চেৎনা শৌগৎলক্ত্রবদি পিয়োংয়াংগী মথক্তা চোল্লপ্পা লল্লোন ইতিক্কী অথিংবা থম্বদা মায় পাকপা ইঙম ঙল্লোই হায়না য়ু এসকী ওফিসলশিংনা থাজনখিবনি।

হৌখিবা জন্যুৱারী ৬তা নোর্থ কোরিয়ানা ন্যুক্লিয়ার চাংয়েং অমা পাঙথোকখি অমসুং মদুগী মতুং ইকুই কুইদনা ফেব্রুৱারী ৭তা অশানবা রোকেট অমা থাগৎখি। য়ুনাইটেদ ষ্টেটস অমসুং মসিগী মীচংশিংনা নোর্থ কোরিয়ানা থাগৎখিবা রোকেট অদু অথিংবা থল্লিবা বেলিষ্টিক মিসাইল টেক্নোলোজিগী চাংয়েংনি হায়খিবনি।

তৌইগুম্বসুং য়ু এসকী ওফিসলশিং অমসুং এক্সপার্টশিংনা নোর্থ কোরিয়াগী মথক্তা অথিংবশিং চৎনহনবদা চাইনানা কদায় ফাওবা কম্মিটমেন্ট থম্বা ঙম্বগে হায়না তোইনা হংখিবনি। নোর্থ কোরিয়াগী মথক্তা হেন্না কনবা অথিংবশিং থল্লুরবদি লৈবাক অদুগী ষ্টেবিলিটিদা চাউনা অকায়বা পীরকপা য়াই হায়না চাইনানা কিরিবনি।

## য়ু এস সেঙ্কসনশিং থবক্তা ওন্থোক্নবা প্রসিদেন্ট ওবামানা সাইন তৌখ্রে



ৱাশিংটন, মার্চ ১৭ (এজেন্সী) ঃ

ন্যুক্লিয়ার চাংয়েং অমসুং মিসাইল চাংয়েং অমা চহী অসিগী অহৌবা শরুক্তা পাঙথোকখিবা নোর্থ কোরিয়াগী মথক্তা য়ু এননসু শৌগৎপা অথিংবশিং থবক্তা ওন্থোক্নবগীদমক্তা য়ু এসকী প্রসিদেন্ট বরাক ওবামানা হৌখিবা য়ুমশকৈশ নুমিৎতা ওর্দর অমা সাইন তৌখ্রে। অমরোমদা, পিয়োংয়াংনসু খুৎ চপ চানা হনগনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

হ্বাইট হাউসনা হায়খি, মালেমদগী নাইতোম তারবা লৈবাক অদুগী (নোর্থ কোরিয়াগী) ইনর্জি, শেল-থুম অমসুং সিপ্পিংগী এসেটশিংদা মীৎয়েং থম্বা ইগজিক্যুটিব ওর্দর অমা ওবামানা সাইন তৌখ্রে। খোঙথাংশিং অদু নোর্থ কোরিয়াগী জন্যুৱারী ৭কী ন্যুক্লিয়ার চাংয়েং অমসুং ফেব্রুৱারী ৭কী বলেষ্টিক মিসাইল চাংয়েংগী পাউখুম ওইনা য়ুনাইটেদ নেসনন্সতা য়ানখিবনি।

“ওর্দর অসি নোর্থ কোরিয়াগী মীয়ামদা টার্গেট তৌবা নত্তে, তৌইগুম্বসুং গভর্ণমেন্টদা মীৎয়েং থম্বনি” হায়না ওবামানা সাইন তৌখিবা দোক্যুমেন্ট অদুনা হায়খি।

য়ু এস প্রসিদেন্টনা সাইন তৌখিবা দোক্যুমেন্ট অদুনা টার্গেট তৌরিবা এন্টিটিশিংগী মনুংদা কোরিয়াগী ৱারকর্স পার্টিগী প্রোপেগন্দা অমসুং এজিটেসন দিপার্টমেন্ট অমসুং রেজিম অদুদা তঙাইফদ্রিবা রেভিন্যুশিং কারিবা মাইনিং ফার্মশিং য়াওরি।

কোলগী সেক্টরদগী লাকপা রেভিন্যুশিংদনা কিম জোং-উনগী গভর্ণমেন্টদা চহী ১দা দোল্লর বিলিয়ন অমা হেন্না কাহল্লি হায়না য়ু এস ট্রেজরি দিপার্টমেন্টনা চাউরাক্না পারি। য়ু এনগী অথিংবশিং অমসুং য়ু এস-সাউথ কোরিয়াগী মিলিটরি দ্রিলগী পাউখুম ওইনা কিমনা ন্যুক্লিয়ার ৱারহেদকী চাংয়েং অমগসু পাঙথোক্নবা অমসুং বলেষ্টিক মিসাইল কয়াগী চাংয়েংসু পাঙথোক্নবা ওর্দর তৌখ্রবনি। য়ু এসকী ওফিসলশিংনা নোর্থ কোরিয়ন লিদরগী থ্রেটশিং অদু নুংনাংনিঙাই ওই। তৌইগুম্বসুং রেজিম অদুনা অসিগুম্বা তাঞ্জাশিংদা মমাঙদা উৎখিবা থৌওংশিংগা চানৈ হায়খি।

য়ু এনগী অথিংবশিংদা অহোবা কয়া লৈবা তারবদি পিয়োংয়াংগী মরু ওইবা শেল-থুমগী পার্টনর ওইরিবা চাইনানা মখা তানা বিজিনেস তৌবগী খুদোংচাবা ফংহল্লি হায়না এনালিষ্টশিং অমসুং দিপ্লোমেটশিংনা হায়খ্রে।

সাউথ কোরিয়ানা রন তৌবা কোরিয়ন ট্রেদ ইনভেষ্টমেন্ট প্রমোসন এজেন্সীনা পীবা খ্বাইদগী নৌবা ফিগরশিংগী মতুং ইন্না, নোর্থ কোরিয়াগী লল্লোন ইতিক্কী অপুনবা শেনফম দোল্লর বিলিয়ন ৭.৬১গী চাদা ৯০ হেন্না চাইনাগা চত্থনবা বিজিনেসশিং ওইরি। ওবামাগী ইগজিক্যুটিব ওর্দর অদুগী পাউখুম ওইনা বৈজিংনা লৈবাক অমনা মরন্নাই ওইনা অতোপ্পা লৈবাক অমগী মথক্তা অথিংবা থম্বগী মায়োক্তা লৈ হায়খ্রে।

## য়েমেনগী মরুওইবা লাল লোইশিল্লক্লে : সাউদি লূচিংবা

কাইরো, মার্চ ১৭ (এজেন্সী) ঃ

য়েমেনদা চত্থরিবা মরু ওইবা কোম্বেট ওপরেসনশিং লোইশিল্লক্লে অমসুং মসিগী মতুংদা কোলিসনননা লৈবাক অদুদা তুং কোইনা তং-তাবগী ফীভম লৈহন্নবা লোং টার্ম প্লানশিং পুথোক্নবা হোৎনরগনি হায়না সাউদিনা লূচিংবা মিলিটরি কোলিসনগী স্পোক্সমেননা হায়খ্রে।

ৱগেদিয়র জেনরেল অহমদ অল-অসিরিনা ঙসি এসোসিয়েটেদ প্রেসতা হায়খি মদুদি, কোলিসননা সিয়াইট হৌথি রেবেলশিং অমসুং গ্রাউন্দদা ইস্লামিক মিলিটেন্টশিং থেংনরিবা য়েমেনি ফোর্সশিংদা মখা তানা এয়র সপ্পোর্ট পীখিবনি।

চহী অমা চুপ্না চত্থরকখিবা এয়র কেম্পেইন অমসুং গ্রাউন্দ এটেক অদু হৌথিশিংবু সানাদগী তকথোকখিনব-গীদমক্তনি। রেবেলশিং অসিনা য়েমেনগী কেপিটেল অদু কুমজা ২০১৪দা পায়শিনখিবা মতুংদা হৌজিক ফাওবা কন্ট্রোল তৌদুনা লৈরিবনি।

অল-অসিরিনা হায়রি মদুদি, হৌখিবা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা সাউদিনা লূচিংদুনা চত্থখিবা এয়র ষ্ট্রাইকশিংনা নোর্দন য়েমেনগী মার্কেট অমদা হিট তৌবদা মীওই কয়া পাক্তক্না শিখি হায়বা রিপোর্টশিংগী মতাংদা কোলিসনননা ইনভেষ্টিগেসন চত্থরি। হৌথিনা কন্ট্রোল তৌবা ষ্টেট ন্যুজ এজেন্সী সাবাগী পাউনা য়ামদ্রবদা মীওই ৬৫ শিখ্রে অমসুং ৫৫না শোকখ্রে হায়না ফোঙদোকখি।

## অরোইবা এটেক পাঙথোক্নবা শেম-শানবা খঙহনখ্রে

কাবুল, মার্চ ১৭ (এজেন্সী) ঃ

গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগী লালহৌবশিংগা পিছ টোক অমুক হন্না হৌনবা কন্না হোৎনরক্লিঙৈ মতাং অসিদা অফঘানিষ্টানদা অরোইবা এটেক চত্থনবা শেম-শানবা টালিবানগী লিদর মুলাহ মানসৌরনা মহাক্কী ফাইটরশিংদা ওর্দর তৌখ্রে।

লাইগী মতেং, অচেৎপা থাজবা অমসুং চপ য়ুংবা ফিরেপ অমসুং অৱাংবা মোরেলগা লোয়ননা য়েক্ন বগী মথক্তা অরোইবা এটেক অদু পাঙথোক্নবা শেম-শারো হায়না ঙসি থোকখিবা মানসৌরগী ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খি।

অফঘান গভর্ণমেন্ট অমসুং লৈবাক অদুদা দিপ্লোই তৌরিবা ফোরন ট্রুপশিংদা মীৎয়েং থমদুনা টালিবানগী



লূচিংবনা ওর্দর অদু তৌখিবনি।

মানসৌরনা টালিবানগী মেম্বর খূদিংমক অমত্তা ওইবা ৱাখল্লোন্দা পুন্দুনা লৈবগা লোয়ননা নোংমা নোংমগী পাঙ্গল হেনগৎলক্লি হায়খি অমসুং হৌখিবা জুলাইদা গ্রুপ অদুগী মনুংদা পৱার মুন্নবগী থৌওংশিং চত্থরে হায়না ফোঙনখিবা পাউ খদু য়েক্নবগী প্রোপেগন্দানি হায়না ফোঙদোকখি।

পনবা য়াবদি, কুমজা ২০১৩দা টালিবানগী লূচিংবা মুলা ওমার শিখ্রে হায়বা পাউঅমগী মতুংদা টালিবান মনুংদা পৱার পায়নবা হোৎনবগী লাল্লোংশিং চত্থনরে হায়না ফোঙনখিবনি।

মানসৌরগী ৱারোল অসি মুলা ওমার শিরে হায়না লাউথোকখিবা মতুংদা লেপখিবা ৱারী শানবা অদুবু নৌনা অমুক হৌবা য়ানবা গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগী হোৎনরিঙৈ মরক্তা ফোঙদোরক্লিবনি।

টালিবান্না হৌজিক অফঘানিষ্টানগী লম অপুন্বগী শরুক অহুম থোকপগী অমা কন্ট্রোল তৌবগা লোয়ননা কুমজা ২০০১দা য়ু এসনা লৈবাক অদুদা লান্দাখিবদগী টালিবান রেজিম তুখিবা মতুংদা গ্রুপ অসিনা কন্ট্রোল তৌবা ঙন্বা খ্বাইদগী চাউবা লমগী শরুক ওইরি হায়না য়ু এসকী ৱাচৈদোগ, স্পেসল ইন্সপেক্টর জেনরেল ফোর অফঘানিষ্টান রিকন্সট্রক্সননা হন্দক্তা পুথোকপা রিপোর্ট অমনা হায়রি।

## কর্দশিংনা সিরিয়াদা ফেদরেল রিজন ১ লাউথোক্কদৌরি



বৈরুট, মার্চ ১৭ (এজেন্সী) ঃ

নোর্দন সিরিয়াদা ফেদরেল রিজন অমা লাউথোক্নবা সিরিয়াগী মতিক চানা পৱার পায়বা কর্দিশ পোলিটিকেল পার্টি অমনা থৌরাং তৌরি অমসুং মদু লৈবাক শিন-থুংনা চৎনহনবা য়াগদবা মোদেল অমা ওইবা য়াই হায়না গ্রুপ অদুনা থাজৈ হায়না ফেক্সন অদুগী স্পোক্সমেন অমনা হৌখিবা য়ুমশকৈশ নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে।

দেমোক্রেটিক য়ুনিয়ন পার্টিগী নৱাজ খালিলনা এসোসিয়েটেদ প্রেসতা হায়খি মদুদি, মহাক্কী পার্টিনা কর্দিশশিংদগী ওইবা রিজন অমা লৈহন্নবা লোবি তৌবা লৈতে। তৌইগুম্বসুং কাঙলূপ খূদিংমক্কী ওইবা এরিয়া অমা লৈহন্নবগী পান্দমদনি অমসুং নোর্দন সিরিয়াদা শেম্ননবা প্রপোজ তৌরিবা রিজন অদুদা টর্কমেনশিং, আরবশিং অমসুং কর্দশিংসু রিপ্রজেন্ট তৌগনি।

ৱাফম অদু সিরিয়াগী নোর্দন হসাকে প্রোভিন্সকী রমেলন টাউনদা পাঙথোক্কদবা কর্দিশশিংগী কনফরেন্স অমদা লাউথোক্কনি হায়রি।

দামাসকস গভর্ণমেন্ট অমসুং সাউদিনা শৌগৎপা রেবেলশিংনা হৌজিক্তি চহী ৬ চঙশিল্লক্লবা লৈবাক অদুগী মাঙ-তাক্লিংঙাই ওইরবা সিবিল ৱার অদুবু লৈখায় তাথোক্নবগী লম্বীশিং পুথোক্নবা জিনেভাদা য়ু এনগী এম্বেসেদরগা পিছ টোক পাঙথোক্লিঙৈদা নোর্দন সিরিয়াদা ফেদরেল রিজন অমা শেম্নবগী ৱাফম অসি হৌদোরকখিবনি।

সিবিল ৱার হৌদ্রিঙৈগী মমাঙদা লৈখিবা সিরিয়াগী অপুনবা মীশিং মিলিয়ন ২৩গী চাদা ১০ হেল্লিবা কর্দশিংনা সিরিয়াদা খ্বাইদগী চাউবা ইথনিক মাইনোরিটি ওইরিবনি। মখোয় শোত্থরবা হসাকেহ প্রোভিন্সতা টর্কি অমসুং ইরাক্কী বোর্দরশিংনা চপ্লগা লৈবনি।

নোর্দন সিরিয়াদা লৈবাক অদুগী কর্দশিংনা সিবিল ৱার মনুংদা শীংথানিঙাই ওইবা মওংদা মপাঙ্গল শাগৎপা ঙমখি। মখোয়না ওপোজিসনগা মীচং ওইনবা ইস্লামিক মিলিটেন্টশিং তকথোক্নবা চঙশিনখিবা লাঞ্জংদা লৈবাক অদুগী লমগী শরুক খরা কন্ট্রোল তৌখি অমসুং লমশিং অদুদা মখোয়গী ওইবা সিবিল এদমিনিষ্ট্রেসন লাউথোকখি।

## ‘টর্কিনা অনৌবা দিমান্দশিং হৌদোক্লরোই’

অঙ্কারা, মার্চ ১৭ (এজেন্সী) ঃ

মাইগ্রেন্ট ক্রাইসিসকী মতাংদা ঈ য়ুগী লিদরশিংনা পাঙথোকপা মীফমদা টর্কিনা অনৌবা দিমান্দ কয়া তৌনবা খন্নবা লৈতে অমসুং মীফম অদুদা অরোইবা দিল অমা পুথোকপদা ৱানা থোক্লনি তৌইগুম্বসুং ওইথোক্তবদি তৌরোই হায়না টর্কিগী সিনিয়র ওফিসল অমনা ঙসি রোইটর্জদা ফোঙদোকখ্রে।

য়ুরোপিয়ন সাইদতগী অনৌবা প্রপোজলশিং হৌদোরকপা তারবদি টর্কিনা মখোয়দু খন্নগনি তৌইগুম্বসুং সাইপ্রস য়াওনা লৈবাক কয়ানা প্রোগ্রেসতা অপনবা পীবদি য়াহল্লোই হায়না ওফিসল অদুনা হায়খি।

“সম্মিট অসিদগী রিজল্ট অমা লাকহনবদা ৱানা থোক্কনি, তৌইগুম্বসুং মদু ওইথোক্তবদি ওইরোই। মসিগী মরমদি ঈ য়ুগী মায়কৈদগী থোরক্লিবা এক্টরশিংগী মশিং য়ামনবননি” হায়না অরুবা ৱারী শানবা অদুগী মাঙওইননা মশক মমিং তাকথোক্তবা ওফিসল অদুনা রোইটর্জদা হায়খি।

“লৈবাক খরনা মাইগ্রেন্ট ক্রাইসিসকী মতাংদা য়ানবা পুরক্নবা হোৎনরিবসিদা অপনবা পীবগী থৌওং চত্থবা য়াহল্লোইদবনি” হায়না ওফিসল অদুনা হায়খি। অঙ্কারা অমসুং পীক্লবসু পীক্লা ৱা কন্না ঙাঙগনবা ঈ য়ুগী মেম্বর সাইপ্রসকী মরক্তা মতম শাংনা মুক্লদুনা লাক্লিবা অদুনা দিল অমা পুরকপদা খুরৌ থাংহল্লিব্রা হায়না হংবদা টর্কিগী ওফিসল অদুনা ৱাফম অসি ফোঙদোখিবনি।

মাইগ্রেন্টশিংবু গ্রীক্কী ইথৎশিংদা চঙবা লেপহন্নবগী স্কিম অমদা অঙ্কারাবু য়াথোকহন্নবগী দিল অমা সাইন তৌননবগীদমক্তা ঈ য়ুগী লিদরশিংনা ব্রুসেলসতা ঙসি অথেংবদা উনগদবনি।

ব্রুসেলসতা ইরাই নুমিৎতা টর্কিশ প্রাইম মিনিষ্টর অহমত দাভাতোগলুগা ব্রেকফাষ্ট লৌখৎমিন্নবা মতমদা য়ুরোপিয়ন কাউন্সীলগী প্রসিদেন্ট দোনাল্ড টস্কনা টর্কিগী প্রাইম মিনিষ্টরনা অহানবা ওইনা ঈ য়ুদা হৌদোকখিবা দিল অদু ফাইনেলাইজ তৌবা ঙল্লগনি হায়না থাজনরি।

নুমিৎ ১০গী মমাঙদা পাঙথোকখিবা ঈ য়ুগী লূচিংবশিংগী অখন্নবা সম্মিট অমদা টর্কিগী প্রাইম মিনিষ্টরনা জর্ম্মন চান্সেলর অঞ্জেলা মার্কেলগী সপ্পোর্টকা লোয়ননা দিল অদু হৌদোকখিবনি।




## EMPLOYMENT NEWS

### MILITARY ENGINEER SERVICES RECRUITMENT 2016 – 467 STORE KEEPER, PEON & OTHER POSTS

**Military Engineer Services Recruitment 2016 – 463 Store Keeper, Peon & Other Posts:** Military Engineer Services has released notification for the recruitment of 463 Civil Motor Driver, Chowkidar, Safaiwala, Meter Reader, Caneman, Store Keeper-II, Peon vacancies. Eligible candidates may apply in prescribed application format on or before 19-04-2016 by 1700 hrs & 26-04-2016 by 1700 hrs for remote areas. Other details like age limit, educational qualification, selection process, how to apply are given below…

**Military Engineer Services Vacancy Details:**
**Total No. of Posts: 463**
**Name of the Posts: Mate (Tradesman)**

1. **Civil Motor Driver (Ordinary Grade): 81 Posts**
   i. Central Command: 30 Posts
   ii. Western Command: 26 Posts
   iii. Northern Command: 25 Posts
2. **Chowkidar: 85 Posts**
   i. Western Command: 53 Posts
   ii. South Western Command: 32 Posts
3. **Safaiwala: 49 Posts**
   i. Western Command: 10 Posts
   ii. South Western Command: 39 Posts
4. **Meter Reader: 52 Posts**
   i. Western Command: 28 Posts
   ii. Northern Command: 20 Posts
   iii. South Western Command: 04 Posts
5. **Caneman: 24 Posts**
   i. Southern Command: 09 Posts
   ii. Eastern Command: 04 Posts
   iii. Central Command: 04 Posts
   iv. Western Command: 04 Posts
   v. Northern Command: 03 Posts
   vi. South Western Command: 02 Posts
6. **Store Keeper-II: 86 Posts**
   i. Southern Command: 05 Posts
   ii. Eastern Command: 27 Posts
   iii. Central Command: 18 Posts
   iv. Western Command: 15 Posts
   v. Northern Command: 06 Posts
   vi. South Western Command: 15 Posts
7. **Peon: 86 Posts**
   i. Eastern Command: 20 Posts
   ii. Central Command: 20 Posts
   iii. Western Command: 19 Posts
   iv. Northern Command: 12 Posts
   v. South Western Command: 15 Posts

**Age Limit:** Candidates age should be between 18-27 years as on 19-04-2016. Age relaxation is applicable 5 years for SC/ ST, 3 years for OBC, 10 years for PH (OH/ HH), 13 years for PH (OH/ HH)+OBC, 15 years for PH (OH/ HH)+SC/ ST & for others as per Central Govt rules.

**Educational Qualification:** Candidates should possess Matriculation or equivalent exam with valid Civil Driving License for post 1, Matriculation or equivalent exam for post 2, 3, 6, 7, (10+2) examination for post 4, Matriculation or equivalent exam or ITI for post 5.

**Selection Process:** Candidates will be selected based on written examination & skill test.

**How to Apply:** Eligible candidates may send their application on plain paper in the prescribed format along with admit card in duplicate affixing self attested passport size photograph on it, self attested copies of relevant certificates, two self addressed envelope of size 28 cm X 12 cm with postage stamp of Rs. 60/- affixed on each envelope for CMD, one self addressed envelope of size 28 cm X 12 cm with postage stamp of Rs. 60/- affixed on each envelope for remaining all posts to the concerned address as given in the notification on or before 19-04-2016 by 1700 hrs & 26-04-2016 by 1700 hrs for remote areas. Superscribe the envelope with Name of the post i.e., D'Man, Store Keeper-II, CMD (OG), Peon, Chowkidar, Safaiwala, Meter Reader & Caneman along with Category (UR/ SC/ ST/ OBC/ PH) in Block Capital letters.

**Important Dates:**
**Last Date for Submission of Application**
19-04-2016 by 1700 hrs
**Last Date for Submission of Applications for Remote Areas**
26-04-2016 by 1700 hrs
**Tentative Date of Written Examination**
24-07-2016

**Military Engineer Services Recruitment 2016 – Chowkidar Khansama Posts:** Military Engineer Services has issued a notification for the recruitment of Chowkidar Khansama vacancies. Eligible candidates can apply in the prescribed application format on or before 30-03-2016 (17.00 hrs) & for remote areas 06-04-2016 (17.00 hrs). Other details like age limit, educational qualification, selection process & how to apply are given below…

**Military Engineer Services Vacancy Details:**
**Total No.of Posts: 01**
**Name of the Post: Chowkidar Khansama (UR)**

**Age Limit:** Candidates age should be between 18 to 27 years as on the closing date for receipt of application. Age relaxation is applicable to 5 years for SC/ ST candidates & 3 years for OBC candidates.

**Educational Qualification:** Candidates should possess Matriculation or equivalent exam from recognized University/ Board.

**Selection Process:** Candidates will be selected based on interview/ practical test.

**How to Apply:** Eligible candidates send their application in the prescribed application format along with self – attested copies of all relevant certificates, two self addressed envelopes of size 28 cm x 12 cm with postage stamp of Rs 30/- & envelope should be superscribed with Name of the post Chowkidar (Khansama) in block capital letters on or before 30-03-2016 (17.00 hrs) & for remote areas 06-04-2016 (17.00 hrs).

**Important Dates:**
**Last Date for Submission of Application:**
30-03-2016 (17.00 hrs).
**Last Date for Submission of Application for remote areas:**
06-04-2016 (17.00 hrs).
**Date for Written Examination:** 01-05-2016.

**For more details, please visit on the link given below**
http://www.freejobalert.com/military-engineer-services/40535/